## এডিটোরিয়েল

### সরকারগী স্কুলশিংগী মরাইবক করম থোক্লগবা

*হন্দক চহিগী ওইনা কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর (কোসেম) অমসুং বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌবা মহৈরোইশিংগী পূন্সিদা খ্বাইদগী মরুওইনা লৌনরিবা ক্লাস টুয়েল্ফ অমসুং টেন একজামগী ফল লাউথোখিবদা সরকারগী স্কুলশিংগী ওইরিবা ফীভম অসিনা স্কুলশিং অসিগী মরাইবক করম থোক্লগদগে হায়বসি য়ান্না চম্মমনবা ফীভম অমদা লৈবদৌনা উনরক্লি। তৌবগীদি সরকারগী স্কুল খরদি পোজিসন ফংদ্রবসু একজামদা পাস তৌবগী চাং চাদা চাম্মা য়ৌবা য়াওদবদি নংতে। অদুবু পূন্নমক্কী ওইনা য়েংবা মীৎয়েংদদি প্রাইভেট স্কুলশিংনা মাংজিন থাদুনা অদুমক লৈরি। কোসেমনা লৌবা একজামদা সরকারগী হয়ার সেকেন্দরি স্কুল অনি খক টোপ রেঙ্কীংদা য়াউবা ঙমখি। অদুগা বোসেন্না লৌবা একজামদদি অমত্ত ফাউবা য়াউবা ঙমখিদ্রি। পাস তৌবগী চাংদা য়েংলুরবসু সরকারগী স্কুল মহৈরোইশিং চাদা ৫০.৯৯ পাস তৌরগা প্রাইভেট স্কুলগী মহৈরোইশিংনা চাদা ৮০.৮৪ পাস তৌখি। মহৈরোই মশীংদা য়েংলবসু বোসেন্না লৌবা একজামদা সরকারগী স্কুলদগী মহৈরোই ৮৪১৯ য়াউবদা প্রাইভেট স্কুলগীনা মহৈরোই ২৬,৯২৬ য়াউখি। অসুক চাউনা খেন্নবা লৈরিবা অসি মীয়াম্না সরকারগী স্কুলশিংদা থাজবা থম্লকতবা অমদি স্কুলশিংগী ওইরিবা ফীভম, ওজাশিংনা তাকপী–তম্বীবগী মওং অসিনচীংবা কয়াদা ওইরকপা য়াই। অমরোমদা প্রাইভেট স্কুলশিংদা হেন্না থাজবা থম্নবগা লোয়ননা মমা–মপা ওইবশিংনা মচা–মশুশিং অফবা স্কুলদা তমহন্নিংবা অমদি অফবা মহৈরোইশিং অফবা স্কুলদা তমখিবনসু ওইগনি। মতাং শ্বাইদা হায়নিংলিবদি লাইরবা শেনহোক মরাং কায়না লৈজদবা, মচা–মশু শেন্নিংবা ইমুংগী মহৈরোইশিংদি প্রাইভেট স্কুলশিংদা তমহনবা ঙমদবনা তঙাই ফদনা সরকারগী স্কুলশিংদা তম্বা তাই। অমুকসু লৈজরিবা মহৈরোই খরা অদু ওজাশিংনা নীংথিনা তাকপী–তম্বীবা ৱাৎপদগীরা হায়বসিসু খংনিংঙাই ওইরি। সরকারগী নৎত্রগা প্রাইভেট স্কুলশিংদা লৈরিবা ওজাশিংগী মরক্তা মহৈ–মশীংগী থাক, হৈথোই – শিংথোইবদা খেৎনবা লৈরমগনি হায়বা থাজদে। অদুন্নদি ওইরগা পূক্নিং চংনা মথৌমক্লি খংনা মহৈরোইশিংবু হৈনবা অমদি খংনবা তাকপী–তম্বীবদা খেন্নবদি লৈরম্বা য়াই। অমরোমদা ট্যুসন অমসুং কোচিংগী হৈনবী অসিসু মরুওইবা অমদি ওইরি। সরকারগী স্কুলদা তম্লিবা লাইরবা ইমুংগী মহৈরোইশিংনা অসিগুম্বা ট্যুসন অমসুং কোচিংদা য়াওবগী চাংসু য়ান্না নেম্মী। ট্যুসনগী কলচর অসিনসু মহৈরোই অমসুং ওজাশিংগী মরক্তা তাকপী–তম্বীবদা খাইদোক খাইজিনগী মওং অমসু উদবদি নংতে।*

*অসুন্না ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা এদুকেসনবু প্রাইভেটাইজেসন রোমদা হেন্না মীৎয়েং চংনরকপদা নৎত্তনা ক্বালিটি এদুকেসন হায়বা মীয়ামগী অপাম্বা অমসুং খোল্লাউ অসিসু সরকারগী স্কুলশিংদগী লাপথোক্না লৈরক্লে হায়বদা হাইমনবা থোক্লোই। মরম অসিনা ফীভম অসিদা এদুকেসনগী মওংদা চপ চানা অচুম্বা মায়কৈদা অহোংবা অমা পুরক্লবা হোৎনবা হায়বসিদি তঙাই ফদবা ওইরি। সরকারনা হিরম অসিদা হোৎনদবদি নংতে, হোৎনদুনসু লাক্লিবনি অদুবু কদাইদনো অমদি অশোয়বা লৈরি হায়বা লৌবা তাই। অফবা মহৈরোইশিং সরকারগী স্কুলশিংদা চংনিংদ্রিবা অসিগী অচৌবা মরমসু লৈফম থোকই। অমরোমদা অমুক এদুকেসনবু অমদি মহৈরোইশিংবু লল্লোনপোৎ ওইনা উরকপগী মওং অমদা লাকপগুম তৌরিবা অসিসু য়ান্না লাইবক থিনিংঙাইনি হায়দবা ঙম্লোই। হৌজিক ওইরিবা এদুকেসনগী সিষ্টেমদা অশোয়বা লৈরমগদবা মান্দে অদুবু মেনেজমেন্ট অমসুং দিভলপমেন্টতা শোয়দনা অশোয়বা ওইগনি হায়বসিসু মীয়ান্না থাজনরি। অদুনদি সিষ্টেম অমদি থৌশিলদা মেনেজ তৌরিবা অমসুং দিভলপমেন্ট তৌগদবা ওথোরিটিনা হেন্না মীৎয়েং চংবা চুমগনি।*

*অমরোমদা কোসেম অমসুং বোসেন্না লৌবা একজাম মায় পাক্লবা মহৈরোইশিং হয়ার এদুকেসনদা কমদৌনা ফিট তৌগদগে হায়বসিসু ষ্টেট অসিগী ওইনদি অচৌবা ইসু অমা ওইদবা নংতে। ক্লাস তেন পাস তৌরবা মহৈরোই লিশিং ২৭ হেনবা অসি এলবেন ক্লাসতা মীং চন্দুনা মখা তমথনবা হোৎনবদা ষ্টেট অসিগী ওইনা কদাই ফাউবা খুদোং চাবা অদু পীবা ঙমগদৌরি হায়বসিসু হংনিংঙাই ওইরি। অমুকসু টুয়েল্ফ পাস তৌরবা মহৈরোইশিং ফিট তৌনবা কদাইফাউবা খুদোং চাবা ফংলবগে হায়বসিসু ৱাহং অমনি। অদুনদি অঙম্বা মখৈনা মপাল লমদা থাদুনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ–মশীং তমহনবা মশানা তাবনি। ঙমদবা কাংবুনা স্বাইদা উপাই অমা নৎত্রগা অমা তৌদুনা মখা তমথনবা হোৎনবা তারকই। পূন্নমক অসিগী চোই–চাং য়েংলগা অমদি মহৈরোইশিংগী অনীংবা অপাম্বা থুংহন্নবা হোৎনবা তাই। মসিমকসু অরাইবদি নংত্তে অদুনা এদুকেসন সেক্তরদা অমদি হ্যুমেন রিসোস দিভলপমেন্টদা হেন্না মীৎয়েং চংবা নংত্তনা উপাই লৈরোই চীন্না পংলাউ লাউবনসু কান্নরোই।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### চাক থোংবদা শীজিন্ননবা ইন্দেন গ্যাস চহীগী ফংগদবা মশিং লেপ্পগী মওং

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

ইন্দেন গ্যাসকি রিটেলর নৎত্রগা এজেন্ট মণিপুর পূম্বগী ওইনা মশিং ৩৪ দগী হেন্না লৈ। মদুগী মনূংদা এজেন্সি অমনা চৎলিবা মে ২৩ ফাওবগী মনূংদা বুকিং লৈবা ফাত্তবা ফংহনবা ঙম্লগা অয়াম্বা এজেন্সি মখৈনা এপ্রীল ২০১৮ থাগী মনূং চনবা বুকিং লোইশিনবা ঙমদ্রিবসি উবদা অচৌবা খেৎনবা অমা সবসক্রাইবরশিংনা লেপ্তনা থেংনরি।

আই.ও.সি. না ট্রক লোদ অমগী হায়বদি ৩০৬ সিলিন্দরগা অয়াম্বা মতমদা পীদুনা য়োল্লকই। নৎত্রগসু এভরেজনি হায়বসু য়াই। মসিগী মমল আই. ও.সি.গী মীংদা ড্রাফ নৎত্রগা বেঙ্কর্স চ্যেক নৎত্রগা আর.টি.জি.এস.তা পীগদবনি। এজেন্সিগী মপুনা হায়রিবা ৩০৬ সিলিন্দরগী মমলদু য়াওবা চে অদু এদভান্সতা লৌশিল্লগা শেল থীরকপগী চে অদুগী তাংগী মতুংইন্না অথনবা সিলেন্দর ইশু তৌবগী চৎনবী লৈ। অসুন্না য়াংনা চেল্লিবা এজেন্সিনা শেল হেন্না থাদদুনা ড্রাফনচিংবদু মনম মনম ডিপোজিৎ তৌশিল্লগদি অথনবা সিলিন্দর লোড হেন্না ফংদুনা কোল্লিবা কঞ্জুমরশিংদা হেন্না থুনা থুনা ফংহনবা ঙম্বগী শক্তি লৈ। নত্তদুনা লোড অমা ফংলগা মদু য়োল্লগা ফংলকপা ঙাইরগা ড্রাফ শেন্নগদি ক্যদু তপথহনখিদুনা থা হেন্না বেক লোগ লৈরকপনি খঞ্জে। শন্না হায়রবদা থবক অমা তৌবদা ঠিকাদর অমনা জে.সি.বি., রোড রোলর, দিপ্পরনচিংবা মশাগী লৈজরগদি থবক প্রোগ্রেস থম্বা ঙম্বা, অমরোমদা অতোপপা ঠিকাদার অমনা কৈশু লৈতনা খূৎশু খূৎলাই পূম্বা ৱাইরগা থবক শুবদা খরা প্রোগ্রেস শোনবা অদুগুম্বনি। শন্না হায়রবদা ঙসিগী সংসারসিদা এমেচ্যুর অমসুং প্রোফেস্নেল অনীগী খেৎনবগী মওং মানবা কাইদা অসি থোত্তনবা হোৎনবীবা সবসক্রাইবরশিংনা পামগনি হায়জনিংই।

অদোমগী<br>
থোকচোম গোপীমোহোন<br>
(নেস্নেল এৱার্দি)<br>
কৈশামথোং

# মীজোরমদা মীজো মহৈরোইশিংগী মতৌদু কল্লকচরকই

ঐখোয়ই শ্বায়গী ৱারী<br>
মণীন্দ্র কোন্সম

ঐহাক্লা মীজোরমদা হাকথেংননা থেংনজরক্তুনা খঙজরকপা মীজোশিংগী মতৌদা লনাইগী ওইনসু অদুগা মণিপুরদা লৈরিবা মৈতৈ খুন্নাই ঐখোয়গী ওইনসু কল্লকচবা পোক্লা ফিদন্নীংঙাই ওইবনি চেৎনা খঞ্জবা থৌওং কয়ামুক লৈ। অদুগুম্বা, ফিদন্নীংঙাই ওই খঞ্জরিবা মীজোশিংগী থৌওং কয়া অদুগী মনুংদগী ইমীৎমক্কী মীৎমাঙদা থোকখিদুনা উজহৌদুনা থেংনজরকখিবা থৌদোক অমখক নীংশিংজরগা পাউদমজগে।

ঐহাক্লা মীজোরমদা চৎখিবসি ১৯৭৮গী লোইশিল্লকখিবা শরৎত্তনি। দারজিলিং পোলিটেক্নিক্তা ঐখোয়গী সিনিয়র ওইনা লৈবিরম্বা ইরৈকায়রোমগী ইয়াম্বা অমা আইজোলদা ইঞ্জিনিয়র ওইদুনা লৈরিবগী মনাক্তা কোয়বা ওইনা চৎখিবা খোঙচৎনি। মীজোরমগী কোনুং আইজোলদা থুংখিবগা লাইবক–শা চানখিবনা হায়গদ্রা, মীজোরম পি. দব্লিয়ু. দি.দা থবক মচা অমা ফংবদগী য়ূমদা থোরকপা তৌদনা আইজোলদা অদুম্মক হরাওনা লৈথখি। মতুং ১৯৮২দা ‘নেসনল হাইড্রোইলেক্ট্রিক পৱার কোরপোরেসন’ (এন. ঐচ. পি. সি.)না মীজোরমদা পায়খৎকদবা হাইদ্রো প্রোজেক্ট অমগীদমক মীজোরম গোভর্নমেন্টকী দিপার্টমেন্টেটশিংদগী তোঙান–তোঙানবা ফমশিংগীদমক দেপুটেসন্দা লাক্নীংবশিং কৌরকখিবদগী চানবা ফম য়াওদুনা ঐহাকসু এপ্লাই তৌখি। মদুদসু লাইবক ফদুনা মায় পাক্লকখিবদগী ঐহাক এন. ঐচ. পি. সি.দা চঙখি। অদুবু মীজোরমগী প্রোজেক্টঅদুদদি থা মরীরোমদগী হেন্না লৈরমদ্রে। হেন্না লাইবক ফবদগী হায়বা তারে, এন. ঐচ. পি. সি.গী ইথক–থোংবশিংনা থাজবীবা অমসুং নুংশিবিবদগী ন্যু দেলহীদা লৈবা কোর্পোরেট ওফিস্তা পোষ্টিং থাবিদুনা দেলহীদা লৈখি। মদুদগীদি রাজস্থান, মহারাষ্ট্র, জম্মু–কশমীর, নচিংবা ইন্দিয়াগী অৱাং–নোংচূপ লমদমশিংদা লৈবা এন. ঐচ. পি. সি.গী প্রোজেক্টশিংদা কোয়চৎ–চত্তুনা ১৯৮৯ ফাওবা লৈরকখি।

ঐহাক্লা এন. ঐচ. পি. সি.দগী মীজোরম পি. দব্লিয়ু. দি.দা অমুক হল্লকখিবদু ১৯৯০ হৌগৎলকখিবগী অঙনবা শরৎত্তনি। মতম অদু মণিপুরগী ইম্ফালদদি প্রজাতন্ত্র, সিমান্ত প্রতিকা, পোক্লফম, হুইয়েন লানপাউ, হায়বনচিংবা নুংতিগী অয়ুক্তা ফোঙবা পাউচে কয়া লৈরে। ওফসেট মেছীন্দা নম্বা নৎত্রগসু খূৎনা ময়েক শারগা অফবা মখলগী ত্রেদল (খোঙনা নেৎলগা নম্বা) মেছীন্দগী হেন্দোক্তুনা অচৌবা ঔটো–রনগী মেছীন শিজীন্নদুনা অপাকপা চেনাদা নম্বা পাউচেশিং অদুগী মথক্তা হপ্তাগী থাগী ফোঙবা মখল–মখা চেফোঙ কয়াসু মরাঙ–কায়না লৈরবা মতন্নি। মীজোরমগী আইজোলদদি মতম অদুদা ইম্ফালগুন্না নুংতিগী ফোঙবা পাউচে অমদি অতৈ চেফোঙ মখলশিং লৈজরগসু প্রেসকী প্রিন্টিং মেছীন্দা নম্বা য়াওরমদে। টাইপ রাইটরদা নম্লগা অপীকপা লেগেল নৎত্রগা ফুল–স্কেপকী অপীকপা চেবাং অমখক্তা সাইক্লোস্তাইল তৌবা ঙাক্তা ওইরম্মী। লোলসু মীজো লোলগী ঙাক্তা ওইরম্মী। অদুবু “হাইলেন্দর’ কৌবা পাউচে অমখক্তি ইংলিসতা ফোঙলম্মী। নম্বসু ত্রেদল মেছীন শিজীন্নদুনা খরা ফবা অমসুং পাক–চাউবা চেবাংদা নম্লম্মী। ‘হাইলেন্দর’ কৌবা পাউচে অদুনি মীজো লোন খঙদবা ঐখোয়গুম্বনা সব্স্ক্রাইব তৌদুনা পাখ্রিবসু।

মতম অদু ১৯৯০গী এপ্রিল–মে ওইরমগনি। চপ–চানা নীংশিংবা ঙমদ্রে। মীজোরমগী আইজোলদা ফোঙবা পাউচেশিংগী রেকোর্দ থিগৎলুরবদি চপ–চানা খঙবা ঙমগনি (অদুবু থিগৎচরুদ্রে)। নোংমা অয়ূক অমা হাইলেন্দরদা পাউ অমা য়াউরকখি (মদুগী চাউরাকপদি)– “. . . ঙরাং ‘মীজো জিরলাই পোল’ (মীজো ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন)গী মীহুৎ নহারোলশিংগা আসাম রাইফল্‌স্‌কী কান্টিন চলাইবা মারৱারী মপুগী কাঙবুগা পোৎ–চৈ মমল তাঙখৎনা য়োনবগী ৱাহৌদা উংখৎনবা থোকখ্রে। . . . . . . .।”

হাইলেন্দর পাউচেদা য়াওরকখিবা পাউ অদুনা থম্মোয়দা থোইদোকপা ৱাখল পোকহনখিদে। অদুবু নুমীৎ অদুগী অয়ূক ওফিস বাজাজারদা য়োন্নরিবা মমলগা মান্নবা নৎত্রগা হেনগৎনা য়োনবা য়াওরকখিবা মাল্লে। মদুনা মরম ওইদুনা মীজো ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী নহারোল মীহুৎশিংগা কান্টিনগী কাঙবুশিং অদুগা মুক্নবা অদু থোকখিবনি। কয়াম মতা–থীনা মুক্নখিবা হায়বদি চপ–চানা খঙহৌদ্রে অদুবু মদুগী পাউ হাইলেন্দরদা হাপ্লকখিবা নুমীৎ অদুগী অয়ূক ওফিস কারকখিবদা ঐহাক্লা (মীয়ান্নসু) কান্টিন অদুগী চঙফম থোঙ্গালদা থেংনখিবা মতৌ অদুদি অঙকপনি।

মতম অদুদা ঐহাক্লা আইজোলদা লৈরম্বা মফম (ইলেক্ট্রিক্ট ভেং)দগী ঐহাক্কী ওফিস লৈরিবা মফম (টুইখ্বাতলাং) অদু ফাওবা পংলাপ–লাপ্পা নত্তে। মী চিন্দনা বস তোংবগী তাঞ্জা ফংবদা নৎত্রগা নোং–চিংগী ফিভম ফত্তবদা বস তোংখিবা নত্তনা অয়াম্বা মতমদদি খোঙনা চৎখিবা ঙাক্তনি। অদুনা নুমীৎ অদুসু ঐহাক ওফিস কাবদা খোঙনা চৎখি। ওফিস চৎপগী লম্বী লমজাও পরীং মতাই পক্লনি কান্টিন অদুগী চঙফম থোঙ্গাল অদুগা কান্টিন অদুগী চাউরবা শঙশাং পরেং লৈরিবদু। কান্টিনগী থোঙ্গাল অদুমক্তদা ‘মীজো ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন’গী ভলন্টিয়র্স (তরুক–তরেৎখক ওইরম্বা য়াই) খরনা ফিদা ময়েক চাউনা ইবা অচাবা বান্নর অমা থেৎপা হৌরম্মী। মীজো লোল অমসুং ইংলিস অনীমক্তা ইবা বান্নর অদুদা থাবা ইংলিসকী ৱাহৈশিং অদু ঐহাক ঙসিসু মীৎমাঙদা শংশঙনা উরিবগুম নীংশিংলি– "IF YOU LOVE MIZO AND MIZORAM PLEASE DON'T GO TO THIS CANTEEN"।

মীজো ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ভলন্টিয়র্স খরা অদুনা বান্নর অদু কান্টিন অদুগী থোঙ্গালদা থেৎখিবগা ইকান–কান্নদনা মীজোরম পুলিসকী কাঙবু গাড়ীদা লাক্‌খি। মহৈরোই ভলন্টিয়র্সশিং অদুগা পুলিসকী কাঙবু অদুগা থোইদোকপা ঙাঙন–লাউনবা, মুক্নবা অমত্তা থোকখিদে। পুলিস কাঙবু অদুনা বান্নর অদু ইরেন লৌথরগা মহৈরোই ভলন্টিয়র্সশিং অদুবুসু গাড়ীদা কাখৎহল্লগা পুদুনা চৎখি। মদুগা অমুক ইকান–কান্নদনা অতোপ্পা মহৈরোই ভলন্টিয়র্স খূৎপু (হান্নগীগা মান্নবা মশীংদা) অমা থোরক্লগা হান্নগীগুম চপ মান্নবা মখলগী বান্নর অমা অমুক থেৎলখি। . . . অনীশুবা বান্নর থেৎপা অদু ফাওবা য়েংলম্লগা ঐহাক মফম অদু থাদোক্তুনা ওফিস তন্না লাকখি।

> মথং নুমীৎ নোংঙানবা অয়ূক্কী হাইলেন্দর পাউচে পাবদগী খঙখি– ঙরাং আসাম রাইফল্‌স্‌ কান্টিন থোঙ্গালদা বান্নর থেত্তুনা কান্টিন অদুদা মীয়াম চঙহন্দনবা হোৎনখিবা মহৈরোই খূৎপু ১৮ (চপ–চাবা মশীং নীংশিংদ্রে অদুবু ১৮ দগীদি তাখিদে খল্লি. হেল্লম্বসু য়াই) অমসুং বান্নর ১৮ পুলিসনা লৌখৎখি। . . . অসুম তৌনা মথংগী নুমীৎ নিনী (হুন্নিরা?) অমগা চৎখরম্বদগী মতুংদগীদি মীজোরম পুলিস্নসু মহৈরোইশিং অমসুং বান্নরশিং লৌখৎখিদ্রে। ময়েক লানা থাবা বান্নর অমবুদি কান্টিন অদুগী থোঙ্গালদা লেঙদনা থেৎলগা লৈখি। কান্টিন থোঙ্গাল মায়োক্নবগী লম্বী ৱাংমদা ফানশাং (বেঞ্চ) অমা থারগা মহৈরোই ভলন্টিয়র অমখক নৎত্রগা অনীখক তূম্মীন ফমদুনা লৈরম্বসু থেংনখি। করিগুম্বদা কনাগুম্বনা কান্টিনগী থোঙ্গালদা থেৎলিবা– "IF YOU LOVE MIZO AND MIZORAM PLEASE DON'T GO TO THIS CANTEEN" হায়না মীজো লোন অমসুং ইংলিস্তা ময়েক চাউনা অমসুং লানা থাবা বান্নর অদু উহৌদদুনা কান্টিন অদুদা চঙগে তৌরক্লবদি লম্বী ৱাংমগী ফানশাংদা ফল্লিবা মহৈরোই ভলন্টিয়র অদুনা য়ান্না নোল্লুকপা ৱাহৈ–খোন্দাদা বান্নর অদুবু য়েংবিরগা পাবিনবা হায়জে। . . . হপ্তা ফাদে, অদুক লিংনা, মশোং–মপান ফন্না হাংলম্বা আসাম রাইফল্‌স্‌কী কান্টিন অদু মশা মথন্তা থোঙ অদুম্মক লোনখ্রে। মীয়ামগী ওইখিদ্রে। বটালিয়ন সিফাইশিংখক্তগী ওইনা লৈজখ্রে।

মথং নুমীৎ নোংঙানবা অয়ূক্কী হাইলেন্দর পাউচে পাবদগী খঙখি– ঙরাং আসাম রাইফল্‌স্‌ কান্টিন থোঙ্গালদা বান্নর থেত্তুনা কান্টিন অদুদা মীয়াম চঙহন্দনবা হোৎনখিবা মহৈরোই খূৎপু ১৮ (চপ–চাবা মশীং নীংশিংদ্রে অদুবু ১৮ দগীদি তাখিদে খল্লি. হেল্লম্বসু য়াই) অমসুং বান্নর ১৮ পুলিসনা লৌখৎখি। . . . অসুম তৌনা মথংগী নুমীৎ নিনী (হুন্নিরা?) অমগা চৎখরম্বদগী মতুংদগীদি মীজোরম পুলিস্নসু মহৈরোইশিং অমসুং বান্নরশিং লৌখৎখিদ্রে। ময়েক লানা থাবা বান্নর অমবুদি কান্টিন অদুগী থোঙ্গালদা লেঙদনা থেৎলগা লৈখি। কান্টিন থোঙ্গাল মায়োক্নবগী লম্বী ৱাংমদা ফানশাং (বেঞ্চ) অমা থারগা মহৈরোই ভলন্টিয়র অমখক নৎত্রগা অনীখক তূম্মীন ফমদুনা লৈরম্বসু থেংনখি। করিগুম্বদা কনাগুম্বনা কান্টিনগী থোঙ্গালদা থেৎলিবা– "IF YOU LOVE MIZO AND MIZORAM PLEASE DON'T GO TO THIS CANTEEN" হায়না মীজো লোন অমসুং ইংলিস্তা ময়েক চাউনা অমসুং লানা থাবা বান্নর অদু উহৌদদুনা কান্টিন অদুদা চঙগে তৌরক্লবদি লম্বী ৱাংমগী ফানশাংদা ফল্লিবা মহৈরোই ভলন্টিয়র অদুনা য়ান্না নোল্লুকপা ৱাহৈ–খোন্দাদা বান্নর অদুবু য়েংবিরগা পাবিনবা হায়জে। . . . . . . হপ্তা ফাদে, অদুক লিংনা, মশোং–মপান ফন্না হাংলম্বা আসাম রাইফল্‌স্‌কী কান্টিন অদু মশা মথন্তা থোঙ অদুম্মক লোনখ্রে। মীয়ামগী ওইখিদ্রে। বটালিয়ন সিফাইশিংখক্তগী ওইনা লৈজখ্রে।

ঙসি নীংশিংজরিবা মীজোরমগী থৌদোক অসি নীংশিংলুরগা হৌজিক মতমদা ইরমদম ঐখোয়ই শ্বায়দা থোক্লিবা থৌদৌ থৌওংশিংগা চাংদন্নদুনা য়েংজবদা ওম্হোক্লা তাইওন্ননা থোকই হায়না খঞ্জে। ঐখোয়ই শ্বাইদদি মীওই কাঙবু অমনবু ওইরো নৎত্রগা লূপ অমগী কাঙবু অমা নৎত্রগা অমনবু ওইরো করিগুম্বা অরানবা মফম অমবু থিংজিনবা হায়বসি অয়াম্বা মতমদা মখূৎ–মখূত্তা লৈঙাক্কী চৎন–কাঙলোন (আইন) পায়নরবগুম অকন–অরীং শকপা মানবগী থৌওং ওইনা চত্থনবগুম থেংনজে। অদুগুম্বা থৌওং চত্থনবগীদমক অচুম্বা লম্বী তাক্তুনা মীয়ামগী পুক্নীং চিংশিন্নবা হোৎনখিবগী থৌওং কয়া থেংনজরকখিদ্রি। মদুগুম্বা কয়া অদুদা লমদম অসিগী লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবিদুনা অফ–ফত্তা য়েংশিনবিরগা ৱায়েনবিবগী থৌওংসু ঙসি ফাওবা অমুক্তা থেংনজরকখিদ্রি।

অদুননি, মথক্তা থমজখ্রিবা মীজোরমগী আইজোলদা থোকখিবা থৌদোক অসি ইরমদম অসিগী ওইনদি তশেংনা ফিদন্নীংঙাই ওইবা থৌওং অমনি হায়না থমজরিবসি। তশেংনমক মথক্কী থৌদোক অসিদা মীজোরমগী ‘মীজো ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন’ (মীজো জিরলাই পোল)গী মহৈরোই থৌমীশিংনা মরমদম অমসুং মরমদম মীয়ামগীদমক অশাওবা, উংখৎনবা, মুক্নবা, খৎন–চৈনবা নচিংবগী থৌওং মচেৎ অমা ফাওবা চত্থবা তৌদনা চঙশীনখিবা অদুগা থোইদোক্লা মায়সু পাকখিবা থৌওং অদু ঙসি নীংশিংলুবদা থোইনা–হেন্নদুম কল্লকচরকই।

# মণিপুরদা নত সংকীর্ত্তনগী মমিংদা চত্থরিবা ইরাং–২

*চোংথাম থোইবা সিংহ*

**মমাংগী নিংথৌকাবগী মখা...**

মথং–মথং চৎথরক্তুনা দেব–কর্ম্ম, শ্রাদ্ধ–কর্ম্মনচিংবগী নত সংকীর্ত্তনগী মান্দপ ময়ায়দা পালাদা শেল থাবসি সংকীর্ত্তনগী ময়োলগী পূং য়ৈবশিং, ঈশৈ হনবা, দুহার, খোনপাংবা মখোয় মঙাখক্তদা শেল থাবসি চৎনরকখ্রে। লোয়ননা ঈশৈ নাইতোম হায়বশিংদসু নাইতোম ওইনা শেল থাবিরম্মী। মমৈথংদদি পালা পূন্নমক্তা শেল হিদান্নবগুম থানরক্তুনা হরি সংকীর্ত্তনগী মগুণসি মাঙথরকপা ফীবমদা চৎথনরকখি। ফীবম অসি হেক লাকপদগীদি শৈশকপা মমিং লৈরবশিংনা শেন্দান পোমীৎ থিনরকখ্রে। কলিদদি হরিনাম মহা সংকীর্ত্তননা খ্বাইদগী অথোইবনি হায়বনিনা মী অমা হেক শিরমদাইগী ফমাঙদা, মাঙ্গোলদা অমদি শূমাঙদা হেক য়ৌবা ফাওবদা হরিনাম শৈশক্লিবশিংদা শেল থাবা হৌবদগী সংস্কার তৌফমদা ফাও ঈশৈদা শেল থাবসি কন্না চৎনরকখি। অসুন্না শিরিবা মীওই অদুগী মশা তুমদ্রিঙৈদগী শ্রাদ্ধ কর্ম্মগী ঈশৈ শক্লবা শৈশকপা থিবা চেন্নরি। মতম অসিদা বার্ত্তন লৌগদৌরিবা শৈশকপশিংনা কর্ম্মধারী অদু ইনাক খুনবা, সঙ্গ চাউবা য়েংবা হৌরে। করিগুম্বা বার্ত্তন হান্না লৌরুরবসু মথং বার্ত্তন কোন্না লাকপা শেল পায়বা, সঙ্গ চাউবা কর্ম্মধারী ওইরবদি অহানবগী শেল য়ান্না ফংলোইদবা বার্ত্তন অদু হায়দোকপা নৎত্রগা মহুৎ থাবগী মওং হেক হেক থোকই। ফীবম অসিনা তাকপদি হরিনাম প্রচারনা শেল য়ান্না ফংবা অমাঙ–অতোংগী খল ওনবসি হরিনাম লল্লোনবনি হায়বদা লাল্লোইদৌরি হায়গনি। সঙ্গ ৱাৎপা লায়রবগী কর্ম্মদা ঈশৈ শক্লীংনদ্রিবসিনি।

চৈরক অসিদা গিতা মন্দল কৌবা সংকীর্ত্তন কাঙবু অমনা ফীজোল হোংলদুনা দেব কর্ম্মদা, শ্রাদ্ধ কর্ম্মদা পালাদা শেল থাহন্দবা হৌদোকখি। মান্দপ ময়ায়দা শেল থাবগী মওং চৎনহনখিদে। শেল কৎনীংবশিংনা মান্দপ মচীদা পীথ্রাই শামুক অমদা পূখম অমা থম্লগা মদুদা অঙম্বা কৎনীংলিবা শেল খরদু কৎচনবগী ফজখ্রবা মওং হৌদোক্তুনা মতম খরা চৎনরম্মী। অদুবু ঙসিদি মাইক্রোফোন মচা অমমম মমাঙদা খিল্লদুনা ফমশক্তা সংকীর্ত্তনগী মওংদা নাম প্রচার শক– শোন্দুনা ফি– রোল ময়াম, শেল ময়াম থাবা য়াহন্দুনা শেল তান্নরি। শেলগী অপাম্বদুনা শেংলবা ফজখ্রবা গিতা মন্দলগী শক্তম অদু মাঙখিবগুম উরে।

হৌজিক্তি নত সংকীর্ত্তন্না হরিনাম শোনবসি শেল য়ান্না ফংনরে খঙবদগী পালাদ ওইরবসু য়াওজবা ফংগদ্রা হায়দুনা শৈশকপাগুরু কয়াগী তুংইনজবা, মখোয়না পালা থাবিরক্লবা গুরু খনবদা অৱাবা ওইনবা উরি। ঈশৈ খরা খরা তৌজবশিংনা মাগী মাগী কাঙবু থিনদুনা সংকীর্ত্তন পার্তি শেমগৎনবসু হোৎননরি। লোয়ননা সরকারগী থবক্তগী পোৎথারবা পেন্সন চারবা মীওইশিং ফাওবদা মীনা তাবিনীংবা তাবিনীংদবা খঙদবমখৈ শৈশকপনিকা হায়দুনা শক– শোনবা য়াওদবসু নত্তে। নহারোল থবক শূফম–চাফম খঙদবা কয়াসু হরিনাম শোনবা য়াওশিন্দুনা শেন্দান লম্বী থিনবা য়াওদবসু নত্তে। ওইরক্লিবা মওং নত সংকীর্ত্তনগী খোঙথাঙ অসি উবদা নত সংকীর্ত্তনগী নাম প্রচার অসি শেল তান্নবা কারবারগী থৌওংনি হায়নীংদবা য়াওররোই হায়নীংঙি। মরমদি নত সংকীর্ত্তন অসি ভক্তি প্রেমদা কৎথোকপদা য়ুম্ফমসু ওইরক্ত্রে হায়বদসু লাল্লরোই।

ঙসিদি নত সংকীর্ত্তনগী পালাদা শেল থাবগী চাং অসি খম থেংনা ৱাংলে। সংকীর্ত্তন শক– শোল্লিবা মান্দপ ময়োল অসি পৈশানা ৱাই চাইরে, পৈশাগী মেলা প্রাউন্দ ওইরে। হরিনাম শক– শোনবা ফাওবা শংজদ্রে। শেল লৌশিনবা, খোমজীনবদা ঈশৈ কর্ত্তন, পূং য়ৈবা মতম ফংদ্রে। অঙকপা মতৌ ওইরে। থৌওং অসিবু কলচরগী ফজবা শক্তমনি হায়নগদ্রনে! পৃথিবীগী করিগুম্বা মফম অমত্তদা ভজন, কীর্ত্তন, নাম শোনবদা শেল থানদে। চৎথরিবা মওং অসিনা সংকীর্ত্তনগী অশেংবা, ফজবা, অৱাংবা দর্শনগী শীংথানীংঙাই ওইবা মগুণ অমদি তোপতোপ্পা শক্তমদি থাক হম্বহল্লে হায়নীংঙি। হৌখিবা চহী দিসেম্বর তাং ৩, ২০১৩ দা য়ূনেস্কোনা মণিপুরগী নত সংকীর্ত্তনবু ‘কলচরেল হেরিতেজ ওব হ্যুমিনিতি’ ওইনা শক খঙলক্তুনা ঈশৈগী লমদা ভারতকী ওইনা প্রিজার্ব তৌবদা মণিপুরনা ভারত পূম্বগী অহানবা ওইরে হায়না লাউথোকখিবসিমক মালেমগী মমাঙদা য়ান্না চাউথোকচনীংঙাইনি। অদুবু হৌজিক হৌজিক ঐখোয়গী মাঙদা উরিবা নত সংকীর্ত্তনগী মওং অসিদি কয়াদা লাইবক থীখ্রবনো! অদুগা পালা অহুমগী, মরিগী, মঙাগী লেপশক অমদি ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্তনা চয়োন্নরবা ফমশক্কী সংকীর্ত্তনা শৈশকপা ময়ামসু থোরক্লে। তৌইগুম্বসুং মখোয়শিং অসি সংকীর্ত্তন বিচারগী নিয়ম অমদি শক্তমদদি য়ুম্ফম ওইদবগুম উরি। ওইনীংবা মওং ওইজরবসু শেন্দান কারবারনি হায়বসিমদি অদুম মশোয়দ্রে। শেম্হোক লৈত্রবদি শৈশকপা– শৈশকপী থোরক্লম্মোই। অদুগা শক– শোল্লিবদু থওইনা তাবিবা মশীং য়ামদে। তাবা হৌনৈ, ফম্বা হৌনৈ হায়দুনা পঙফম ফম্বা পঙতা তাবা ভাবক শ্রবনিয়ানা অয়াম্বনি। অদুগা পালাদা শেল য়ান্না থাবসি নৎত্রবদি শৈশকপা–শৈশকপী ইথোক থোরক্লোই হায়নীংঙি। ঙসিগী ভাবক্কী গুণসি য়েংলুরবদি তেপ রেকোর্দর অমা মান্দপ ময়ায়দা খোংহল্লবসু শেলদি অদুম পঙথাদা থাগদবা মাল্লি। নত সংকীর্ত্তনদা শেল থারিবসি শক– শোল্লিবদুদা নুংঙাইবা অপেনবা, প্রেম, রস পোক্তুনা থাবা নত্তে। কর্ম ধারীগী মমাঙদা মহাক্কী পেন্নবা য়ূম্বদুগী মমায়দা থাজীনবনি। য়ূম্বদুগী মমাঙদা মশক অমুক্তং করন্না উৎহৌগদগে হায়দুনা ঈথক–ঈৱাংদা থারিবা শেলনি। ভগবান্দা ভক্তি প্রেমগা লোয়ননা কৎপসু নত্তে।

পাঙথোক্লিবা কর্ম্মদু যজ্ঞনি (কৎথোকপনি) কর্ম্মধারী অদুনা কৎথোকচগদবনি। ভাবক পূন্নমক অতিথিনি। অতিথি যজ্ঞদুম তৌফম থোক্লিবনি। করিগী ভাবকশিংবু নাকোয়ননা শেল থাহল্লিবনো? কৎহল্লিবনো? অদুগা কনাগুম্বা শক্তি লৈবা কর্ম্মধারীনা বার্ত্তন ময়াম অমা তৌশিল্লগা পোৎয়েংদি লৌদ্রগা লাক্লিবা ভাবক পূন্নমকতি শেল থাবিগনু হায়না থিংদ্রবনিনা পালাদা শেল লোইনা থানরিবসিনা কর্ম্মধারী অদুগী সঙ্গ চাউই উৎনীংবগীনি হায়বা নৎত্রা? পালাশিংদি সংকীর্ত্তন্না মখোয়গী কারবার ওইজবনিনা ৱাদনা কারবার শেল তোংলে। পালা অমদা লুপা লীশীং কয়া কয়া ফংনরি। নাকল অমরোমদদি লৌমী–শিন্মী অমনা চাকঙন চাদুনা লৈখোম–লৈনাঙ, তূমিৎ কাঙ মরক্তা নুমিদাংৱাইরম ফাওবা ৱানা থবক শূজরিবা অমদদি খূৎশুমন য়ান্নবদা লুপা ৩০০ ফাওবা পীনীংদে। খেন্নবসি চাং য়ান্না হেনমনখ্রে। মণিপুর খুনাই অসি অচুম্বা, অশেংবা নীতিদা য়ুম্ফম ওইবা মান্নবা খুনাই ওইদ্রে। পালাদা শেল থাদুনা হরিনাম লল্লোনহনবা তোকসি। শক– শোনবিরিবশিংদা অৱামল ঙমজবা দক্ষিনা তৌজসি।